## পর্বেজ মুশারফ ফানবা ওর্দর তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ২০ ঃ মী হাৎপগী কেস অমদা পাকিস্তানগী কোর্ট অমনা হান্নগী প্রসিদেন্ট পর্বেজ মুশারফকী মায়োক্তা নন-বেলেবল এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইস্যু তৌখ্রে। ঙসি সেসন জজনা ফণ্ডামেন্টলিষ্ট ঘাজি অব্দুলগী মীশিগা মরী লৈননা ৱারেন্ট অদু ইস্যু তৌখি অমসুং ওথোরিটিশিংদা মুশারফপু মার্চ ১৬ তা কোর্টতা পুথোক্লবা ওর্দর তৌখি। ঘাজি অব্দুল রাশীদ কুমজা ২০০৭ তা ইস্লামাবাদতা লৈবা লাল মাসজিদ লাঙ্গোই চন্দুনা থমখিবগী থৌদোক অমদা শিখিবনি।

কোর্টনা কেস অদুগী মতাংদা মতম চুপ্পগী ওইনা কোর্ট কাহনবীদনবা মুশারফনা হায়জরকখিবা অমসু রিজেক্ট তৌখি। কেস অদুগী হিয়ারিং ৫৫ মক্তা মুশারফনা কোর্টতা অমুক্তা লাকখিদে হায়রি।

কুমজা ২০০৭কী জুলাইদা লাল-মাসজিদপু নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা লাঙ্গোই চন্দুনা থমখিবা অদুদা মহৈরোয় অমসুং সিক্যুরিটি পার্সনেল য়াওনা মীওই কয়া শিখি। চীফ ক্লেরিককী ময়াম্বা ঘাজি অব্দুল রশীদসু ওপরেসন অদুদা শিখিবনি।

# লিবিয়াদা লৈবা আই এসগী ট্রেনিং কেম্পতা য়ু এসনা বোম থাদখ্রে, মীওই ৪৯ হাৎখ্রে



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ২০ ঃ লিবিয়াদা লৈবা মীরৈবাক্কী ফাইটরশিংবু অৱাংবা থাক্কী ট্রেনিং পীফম ওইবা আই এস আই এসকী কেম্প অমদা অমেরিকান ৱারপ্লেনশিংনা বোম থাদখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি জোশ আর্নেষ্টনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

অফ্রিকা অমসুং মিদ্দল ইষ্টকী লৈবাকশিংদগী লাক্লগা আই এস আই এসকী ট্রেনিং কেম্প অদুদা পুন্দুনা লৈরবা ফোরন ফাইটরশিং অদুগী মনুংদা টেররিষ্ট গ্রুপ অদুদা সিনিয়র ওপরেটিভ অমা ওইনা থবক তৌবা টুনিজিয়াদগী লাকপা নৌরিদ্দিন চৌচেনসু য়াওই হায়না থাজনৈ। মহাক য়ু এসকী ৱারপ্লেনশিংগী বোম্মিং অদুদা শিখিবরা হায়বা খুদক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমখিদে হায়না আর্নেষ্টনা হায়খি।

চৌচেন হায়রিবা মীওই অদু হৌখিবা চহীদা টুনিজিয়াদা চথখিবা শাথীবা টেররিষ্ট এটেক অনীদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা মীশক্নি হায়না লৌনৈ। অহানবদা টুনিজিয়াগী বার্দো ম্যুজিয়মদা পাঙথোকখিবা টেররিষ্ট এটেকত মীওই ২৩ শিখি অমসুং সিসাইদ রিজোর্ট সৌসিদা চথখিবা অতোপ্পা এটেক অমদনা মীওই ৩৮ শিখি। মী কয়া তোরা তুনা হাৎখিবগী থৌদোক অনীমক আই এস আই এসনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখিবনি।

ঙরাং অয়ুক নোর্থ ৱেষ্টর্ন লিবিয়াগী কোষ্টেল সীটি অমা ওইরিবা সাব্রাথাগী মনুং চন্না লৈবা অল-কাশর দিষ্ট্রিক্টতা চথখিবা য়ু এসকী এয়রষ্ট্রাইক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৯ শিখি হায়না সাব্রাথাগী মেয়র হুশাইন অল-থাৱাদিনা ফোঙদোকখি। কোষ্টেল সীটিগী দিষ্ট্রিক্ট অদুদা টুনিজিয়াদগী লাকপা মীওই কয়া খুন্দাদুনা লৈ হায়রি।

লিবিয়া টি ভিনা লৌবা ইন্টরভিয়ু অমদা অল-থাৱাদিনা হায়খি মদুদি, মীওই কয়াগী অশিবা হকচাংশিং বিল্ডিংগী অকায়-অতোয় মরক্তা ফুমজিল্লম্বা য়াবা মরম্না এয়রষ্ট্রাইক অদুদা শিখিবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই। য়ুম অদু আই এস আই এসকী মেম্বরশিংনা ৱাইদুনা শীজিন্নবনি অমসুং এয়র এটেক অদু চথখিবা মতমদা মীওই ৬০ হেন্না মনুংদা লৈরম্বা য়াই হায়না থাজে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

সাব্রাথা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মতুং ইন্না, মীওই তরুক বোম্মিং অদুদা শোকখি। হৌখিবা চহীদা লিবিয়া মচা অমনা সাব্রাথাদা লৈবা য়ুম অদু শেমজিন-শাজিন্দুনা হেন্না চাউথোকহনখিবনি হায়না সীটি অদুদা লৈবা সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা থা খরা অসিদা মহাক্না ফাইটর গ্রুপ কয়া য়ুম অদুদা পুশিনখি অমসুং মদুগী মনুংদা বেটচ অমদি নুমিৎ নীনিখক্কী মমাঙদা পুশিনখিবনি হায়রি। য়ুম অদু ঙরাংগী এয়রষ্ট্রাইক অদুদা হিট তৌখি।

হৌখিবা চয়োল কয়ামুক অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওথোরিটিশিংনা মফমদুগী অকোয়বদা মিলিটেন্টশিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা অমসুং মফমদুদা অখন্নবা ট্রেনিংগুম্বা অমা পাঙথোকপগী মওং উখি হায়না য়ু এসকী ওফিসল অমনা হায়খি। “মসি মহৌশাগী ট্রেনিং কেম্পগী সিন্নরিওগী ৱাংমদনি” হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি।

মফমদুদা চথরিবা থবক থৌওংশিং অদু উবদা মীওইশিং অদুনা মপানদা এটেক অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবগী চিংনবা পোকহনখি। এটেক অদু করম্বা মফমদা নৎত্রগা করম্বা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবনো হায়বগী অকুপ্পা খঙবা ঙমদ্রবসু শোয়দনা পাঙথোক্লগনি হায়বগী অকনবা চিংনবা অমা পোকহনখি হায়রি।

হৌখিবা চহী অনী অসিদা য়ু এস মিলিটরিনা আই এস আই এসকী টার্গেটশিংদা এয়রষ্ট্রাইক চা কয়া পাঙথোকখ্রে। এটেকশিং অদু অয়াম্বনা ইস্লামিষ্ট এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপ অসিগী খোঙফম খ্বাইদগী চাউনা লৈবগা লোয়নন মখোয়গী দিফেক্টো কেপিটেলসু (রাক্কা) লৈবা ইরাক অমসুং সিরিয়াদা পাঙথোকখি।

তৌইগুম্বসুং কুমজা ২০১১ দা মতম শাংলবা দিক্টেটর মুআম্মর গাদ্দাফিবু মফমদগী চিংথখিবদগী মিলিটেন্ট গ্রুপ খরগী ঈরাং হৌফম ওইরকখিবা নোর্থ অফ্রিকাগী লৈবাক লিবিয়াসু আই এস আই এসনা মীৎয়েং চঙবা লৈবাক অমা ওইরকখি।

## সাউথ চাইনা সীদা খুৎলাই পৈবা অমেরিকানা থোকহনবনি : চাইনা

বৈজিং, ফেব্রুৱারী ২০ ঃ সাউথ চাইনা সীদা উংখৎনবগী ফীভম লৈহল্লি হায়বা য়ু এসকী মরাল শীবা ৱাফমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা চাইনানা হায়রি মদুদি লৈবাক অসিনা সাউথ চাইনা সীগী নানসা ঈথৎশিংদা খুৎশু খুৎলাই অমসুং লান্মী পৈশিন্দুনা লানগীদমক্তা শেম শাদুনা লৈগে খনবা লৈতে।

লমদম অদুদা লান্মী অমসুং খুৎশু খুৎলাই পৈশিন্দবা হায়বসি লৈবাক অমখক্কী ওইবা ৱাফম নত্তে হায়না চাইনাগী ফোরন এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন হোংলৈনা ঙরাং ফোঙদোকখি হায়না গ্লোবেল টাইমসকী পাউ অমনা হায়রি।

‘সাউথ চাইনা সীদা লানগী খুৎশু খুৎলাই থমদবা অমসুং লান্মী থমজিন্দবগী ৱাফম অসিদা অনী থোক্লা ঙাঙবা নৎত্রগা ৱা ময়াম থোক্লা ঙাঙবা তৌরোইদবনি অমসুং প্রোসেস অসিদা লমদমসিগী লৈবাকশিং অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা চঙই” হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী স্পোক্সমেন জোন কির্বিনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা হায়খি মদুদি, কম্মর্সিয়েল সেটলাইটনা লৌবা ইমেজশিংদা হন্দক্তা য়োংসিং ঈথৎতা মিসাইল কয়া থমখিবগী শক্তমশিং উবা ফংই। মদু সাউথ চাইনা সীদা লান্মী অমসুং খুৎশু খুৎলাই থমদবা হায়বা চাইনানা হান্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মায়োক্তনি।

য়ু এসনা ফোঙদোক্লিবা মরাল শীবা ৱারোলগী পাউখুম পীরদুনা হোংনা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউথ চাইনা সীদা মিলিটরি দিপ্লোইমেন্ট হেনগৎলক্লি অমসুং চাইনাগী মায়োক্তা রিকোনিসন্স মীসনশিং পাঙথোক্লবা মফম অদুদা মিলিটরি ভেসেলশিং অমসুং প্লেনশিং তোইনা থাই।

## নোংলৈ নুংশিৎ ৱিনষ্টন লাকপদগী ফিজি শিন-থুংনা কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রে

সুভা, ফেব্রুৱারী ২০ ঃ মপাঙ্গল লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎ ৱিনষ্টন লাকপগা মরী লৈননা ফিজিনা ঙসি লৈবাক শিন-থুংনা কর্ফিয়ু লাউথোকখিবগা লোয়নন এয়রলাইন্সশিংগী ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখ্রে অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ফ্রেঙ্ক বাইনিমারামানা মীয়ামদা রেকোর্ড ওইনা পেসিফিক ঈথৎ লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈবা ওইগদৌরিবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদগী কন্নবা মফম চানা লৈনবা মীয়ামদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা তোঙ্গাগী মনাক নক্লা লৈবা ঈথৎশিংদা অকনবা শাফুগা লোয়নন অনীরক শিৎচিল্লকখ্রবা মতুংদা নোংলৈ নুংশিৎ ৱিনষ্টনগী মপাঙ্গল অমুক কনখৎলকখি অমসুং ফিজিগী কেপিটেল সুভা তম্লা নোংচুপলোমদা মায়ওন তম্লকখি। পুংদা কিলোমিটর ২৩০গী খোঙজেলদা শিৎলক্লিবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু অমুমুক কনখৎলকপা মতমদা পুংদা কিলোমিটর ৩২৫ ফাওবা য়ৌনা কনশিন্না শিৎলি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর ফ্রেঙ্ক বাইনিমারামানা ফিজিগী মীয়ামদা “কিনিংঙাই ওইরবা থৌদোক” অমগীদমক্তা শেম শাদুনা লৈনবা অপিল তৌখ্রে হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন ব্রোদকাষ্টর এ বি সিগী পাউ অমনা হায়খি।

“ঐখোয়না কোমথোক্তুনা লৈবা য়াদে। মরুওইনা ঐঙোন্দা নুংনাংবা পোকহল্লিবদি সীটিদা লৈবা মীওই খরনা লাক্লিবা অকিবা অসি কয়াম লুবগে হায়বগী মতাংদা পীরিবা ৱার্নিংশিংবু থৌ-ৱা শাদবগী মওং অমা উরিবসিনি” হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

লৈবাক শিন-থুংনা কর্ফিয়ু থম্লে হায়না গভর্ণমেন্টনা সোসল মিদিয়া ৱেবসাইট ফেসবুক্তা ফোঙদোকখি। “ঙসি নুমিদাং পুং ৬ তগী লৈবাক শিন-থুংনা মপুং ফাবা পব্লিক কর্ফিয়ু চৎনগনি” হায়না ফেসবুক্কী ৱারোল অদুনা মখা তাখি। মী ৯০০,০০০ য়ৌদনা লৈবা লৈবাক অদুগী মফম শিন-থুংনা হাংলিবা মী হোংশিনফম সেন্টর ৭৫৮ গী লিষ্ট অমসু পীখি।

ফিজিগী ৱেদর সর্ভিসনা নোংপোক থংবদা লৈবা মীয়ামদা হরিকেনগী মপাঙ্গল লৈবা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইরবা নুংশিৎশিং লাক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখি। সুভাদা লৈবা এলিস ক্লেমেন্টস কৌবা মীওই অমনা হায়খি মদুদি, নুংথিল পুং ৫ হেক তাবগা মৈ মুৎখ্রে অমসুং মহাক্না মথংদা ঈশিং সপ্লাই লেপখ্রগনি হায়না থাজে।” হৌজিক হৌজিকমক ঐহাক্কী অকোয়বদা পাম পাম্বীগী মনাশিং কোইপাই পাইরগা লৈ” হায়না য়ু এনগী এজেন্সী অমদা থবক তৌবা ক্লেমেন্টসনা হায়খি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ওফিস ফোর দ কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ন এফেয়র্স (ও সী ঐচ এ)না হায়খি, নোংলৈ নুংশিৎ ৱিনষ্টননা লাক্লিবা লম্বী অদু য়েংলবদি সুভাদা মদুনা মপুং ফাবা নুংশিৎকী শাফুগী চৈথেং পীদবা য়ানা লৈ। নোংলৈ নুংশিৎ ৱিনষ্টনগী কেটগোরি ৫ ওইবগা লোয়নন মসি হরিকেন নুংশিৎকী স্কেলদা খ্বাইদগী ৱাংবা রেঙ্কিংনি হায়রি।

ভিরজিন অমসুং জেটষ্টার এয়রলাইন্সশিংনা নাদিদা লৈবা ফিজিগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী পাইখিগদবা অমসুং এয়রপোর্ট অসিদা পাইশিল্লক্কদবা ফ্লাইট পুম্নমক কেন্সেল তৌখ্রে লোয়নন নেসনল কেরিয়রনসু ফ্লাইট খুদিংমক কেন্সেল তৌখ্রে হায়রি।

## নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অনৌবা অথিংবশিং থমখ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ২০ ঃ চৎলিবা কুমজা অসিগী হৌখিবা জন্যুৱারী ৬ তা ন্যুক্লিয়র দিভাইস অমা টেষ্ট তৌখিবা অমসুং হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৭ তা বেলিষ্টিক মিসাইল টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা সেটলাইট অমা থাগৎখিবগীদমক্তা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া থম্বা কোংগ্রেসনা পাস তৌখিবা লেজিসলেসন অমা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা সাইন তৌদুনা লোওলহনখ্রে।

য়ু এসনা মরন্নাই পুথোক্লিবা অনৌবা সেঙ্কসনশিং অদুগী পান্দমদি নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা হৌজিক থল্লিবা সেঙ্কসনশিং অদুবু মথৌ হেন্না হাপ্পা অমসুং চাউথোকহনবনি, তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিগা য়ুমথংনরিবা অমসুং খ্বাইদগী নক্লবা মীচং ওইরিবা চাইনানা য়ানিংদবা মরম্না য়ু এসনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি কদায় ফাওবা মহয় য়ানগদগে হায়বা ঙমদ্রি।

সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা হৌখিবা জন্যুৱারীগী অরোইবা চয়োলদা চাইনাদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা য়াওনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা খোঙথাং কয়ামুক লৌখৎতুনসু কনামক্তগী ৱা তাদনা লৈরিবা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা করম্বা মখলগী খোঙথাংশিং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানবা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইদুনা পিয়োংয়াংগী মথক্তা লৈবাক কয়াগী অনৌবা সেঙ্কসনশিং থম্বগী ৱাফমদা য়ু এনদা ৱারী শানবদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমদ্রি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মরন্নাই ওইনা লাউথোকখিবা অনৌবা সেঙ্কসনশিং চাইনানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

অনৌবা সেঙ্কসনশিংগী রেজিম অদুদা প্রসিদেন্টবু লৈবাক্কী চৎনপথাপকী মতুংইন্না অথিংবশিং খোঙ্গাওনবগীদমক মীওই কয়া অমসুং কম্পনিশিংগী মথক্তা থিগৎপা অমসুং করি তৌগদগে হায়বদু ফোঙদোকপা য়াহল্লি। লো অদুনা সেকেন্দরি অথিংবশিং নমদুনা চৎনহন্নবা এদমিনিষ্ট্রেসনদা অহেনবা খুৎলাইশিংসু পীরগনি। সেকেন্দরি সেঙ্কসনশিং হায়বসি অহুমশুবা লৈবাক অমবু নোর্থ কোরিয়াগা বিজনেস তৌমিন্নবদা অথিংবা থম্ববুনি।

মমাঙদা থোকখিবা ইগজিক্যুটিব ওর্দরশিং অমসুং অতৈ কোংগ্রেস্নেল লেজিসলেসনশিংদা অনৌবা লোদা য়াওরিবা অথিংবা থল্লিবা থবক থৌরমশিংসু য়াওখি। অদুম ওইনমক সেঙ্কসন দিজিগনেসনশিংগী মতাংদদি প্রসিদেন্ট, ষ্টেট দিপার্টমেন্ট অমসুং ট্রেজরি দিপার্টমেন্টগী অনিংবা অপাম্বগী মখা য়াম্না পোল্লি হায়রি।

বিল অদুনা হৌজিক কোরিয়ানা মেটল অমসুং কোল থাদোকপগুম্বা হান্না সেঙ্কসনগীদমক্তা খন্নখিদবা থবক থৌরম খরসু কোনশিল্লি অমসুং য়ু এস গভর্ণমেন্টদা সেকেন্দরি সেঙ্কসনশিং থবক ওইনা পাঙথোক্লবা অহেনবা খুৎলাইশিং পী।




## টর্কিনা সিরিয়াদা খুৎ থাবা লেপহন্নবা রসিয়ানা হোৎনবা মায় পাকখিদ্রে

ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারী ২০ ঃ টর্কিনা সিরিয়াদা লৌখৎলিবা মিলিটরি এক্সনশিং লেপহন্নবা রসিয়ানা য়ু এনদা হোৎনরকপদা নোংচুপলোমগী পৱারশিংনা য়াখিদ্রে অমসুং ফ্রান্সনা চহী মঙারোম শুরক্লবা মুক্লবা অদু খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা চাউথোরকপা য়াই হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

জিনেভাদা অমেরিকান অমসুং রসিয়ন ওফিসলশিংগী মরক্তা ৱারী শানরবা মতুংদা ঙরাং য়ু এনদা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী অথুবা মীফম পাঙথোকখিবনি। য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা সিরিয়াদা সিজফায়র চৎনহন্নবা তৌবদা পাঙথোক্কদবা থবক কয়ামরুম লৈ হায়খি।

চৈরকসিদা, প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়িপ ইর্দোগানদা টেলিফোন তৌদুনা ৱারী শানখিবগা লোয়নন অঙ্করা গভর্ণমেন্ট অমসুং কর্দিশ ৱাই পি জি ফোর্সশিংদা নোর্দন সিরিয়াদা অমগা অমগা পুক্লিং ফাথননবা তকশিনখ্রে।

য়ু এসনা লুচিংবা এয়র পৱারনা বেকিং পীদুনা কর্দিশশিংনা লুচিংবা ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপতগী মরু ওইবা টাউন অমা খুদুম চনখ্রবা মতুংদা সিরিয়াদা লাল কনখৎলকখিবগা লোয়নন ঙরাংদগী হৌগদবা খুৎ থাবা লেপ্পবগী ক্রস অমা ফেল ওইখি।

সিরিয়াগী লীদর বাশর অল-অশাদকী ফোর্সশিংবু শৌগৎতুনা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথরকখিবা রসিয়ানা য়ু এনদা টর্কিবু সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা ওপরেট তৌরিবা কর্দিশ ফোর্সশিংদা নোংমৈ অমসুং বোম কাপশিনবা লেপহন্নবা তকশিনখিবনি।

মোস্কোনা বোর্দর ৱাংমা লান্না নোংমৈ কাপ্পা অমসুং টর্কিনা শৌগৎতুনা পুথোরক্লিবা সিরিয়াদা মীরৈবাক্কী ট্রুপশিং থাজিনবগী থৌরাংশিং খুদক্তা লেপহন্নবা কন্না তকশিনবা ড্রাফট রিজোলুসন অমা পুথোকখি।

তৌইগুম্বসুং রসিয়াগী টেক্সট অদু মরু ওইবা কাউন্সিলগী মেম্বরশিংগী সপোর্ট ফংখিদবগা লোয়নন ফেল ওইখি। ভিটো শীজিন্নবা ঙম্বা ফ্রান্স অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওনা লৈবাক তরুক্না রসিয়াগী ড্রাফট রিজোলুসন অদু ক্লোজ দোর মীটিং অমদা খুদক্তা রিজেক্ট তৌখি।




# EMPLOYMENT NEWS

## Patna District Court – e- Courts Recruitment

Office of the Convenor, Coordination Committee, District & Sessions Judge, Patna invites application for the post of 1681 Clerk in the Subordinate courts of Bihar. Apply Online before 01 March 2016.
Job Details :
Post Name : Clerk
No of Vacancy : 1681 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2400/-
Eligibility Criteria for e-Courts Recruitment :
Educational Qualification : Candidate must be graduate i.e. B.A. / B.Sc. / B.Com. or equivalent degree from recognized University.
Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.01.2016
Un-reserved (Male) : 18 to 37 years
Un-reserved (Female) : 18 to 40 years
Backward Class and Extremely Backward Class (Male) : 18 to 40 years
Un-reserved, Backward Class and Extremely Backward Class (Female) : 18 to 40 years
Schedule Caste and Schedule Tribe (Male & Female) : 18 to 42 years
Job Location : Patna (Bihar)
Selection Process : Selection will be made on online test or objective test & viva-voce test.
Examination Fee: Candidates should have to pay Rs. 500/- (Rs. 250/- for SC, ST category as well as physically disabled candidates) only through Bank Challan in SBI, Patna Account No. 35411934162 of Convenor, Co-ordination Committee.
How to Apply : Interested candidates may apply Online through the website www.ecourts.gov.in/patna form 09.02.2016 to 01.03.2016.
Starting Date for Submission Of Online Application Form : 09.02.2016
Last Date for Submission Of Online Application Form : 01.03.2016
Detail Advertisement Link : http://ecourts.gov.in/sites/default/files/Employment%20Notice%20after%20correction%20of%20Clerk_0.pdf
Apply Online : http://post.asrb2014.org/

## South Central Railway Recruitment 2016

South Central Railway invites Applications for the posts of 14 Group 'C' & Erstwhile Group 'D' against Scout & Guide Quota. Apply before 13 March 2016.
Job Details :
Post Name : Group 'C'
No. Of Posts : 02 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1900/-
Post Name : Erstwhile Group 'D'
No. Of Posts : 12 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1800/-
Eligibility Criteria for South Central Railway Recruitment :
Educational Qualification :
For Group 'C' : Passed 12th or its equivalent examination with 50% marks in aggregate from a recognized board.
For Erstwhile Group 'D' : 1oth passed or ITI or equivalent from a recognized education board.
Nationality : Indian
Age Limit : as on 01.01.2016
For Group 'C' : 18 to 29 years
for Erstwhile Group 'D' : 18 to 32 years
Age Relaxation : For SC/ST Category : 5 years
For OBC Category : 3 years
For PWD Category : 10 years
Job Location : Secunderabad (Telangana)
Application Fee : Candidates belonging to General /OBC have to pay Rs. 100/- through Indian Postal Order (IPO) from any post Office / Demand Draft from any Nationalized Bank, Drawn in favour of FA & CAoO, South Central Railway, Secunderabad payable at Secunderabad. SC/ST/Ex-Servicemen/ Women/PWD are exempted from the payment of application.
Selection Process : Selection will be made on Written Examination, Scouting Skill Assessment & Marks on Certificates.
How to Apply : Interested Candidates may apply in prescribed application form along with self attested copies of relevant documents & application fee send to Assistant Personal Officer (Recruitment), Chief Personal Office, General Manager's Office building, 4th floor, Rail Nilayam, South Central Railway, Secunderabad- 500071 on or before 13.03.2016.
Last Date for Submission of Application : 13.03.2016
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.scr.indianrailways.gov.in/uploads/files/1453890636944-Scouts&Guidesn.pdf

## e- Courts Recruitment 2016

Office Of The District & Session Judge, Moga invites Applications for the post of 06 Peon (Class-IV). Apply before 03 March 2016.
Job Details :
Post Name : Peon (Class-IV)
No of Vacancy : 06 Posts
Pay Scale : Rs. 4900-10680/-
Grade Pay : Rs.1300/-
Eligibility Criteria for e-Courts Recruitment :
Educational Qualification : Should Have Knowledge of Punjabi Language upto middle standard.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 37 Year As on 01.01.2016
Job Location : Moga (Punjab)
How to Apply : Interested Candidates may apply in plain paper along with attested copies of Testimonials, send to Office of the District & Session Judge on or before 03.03.2016.
Last Date For Submission Of Application : 03.03.2016
Detail Advertisement Link : http://ecourts.gov.in/sites/default/files/Notification_15.pdf

## e- Courts Recruitment 2016 – 12 Xerox Operator, Senior Bailiff & Various Vacancies – Last Date 29 February

Principal District Court, Karur invites application for the post of 12 Xerox Operator, Senior Bailiff & Various Vacancies. Apply before 29 February 2016.
Job Details :
Post Name : Xerox Operator
No of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1900/-
Post Name : Senior Bailiff
No of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2400/-
Eligibility Criteria for e-Courts Recruitment :
Educational Qualification :
For Xerox Operator : S.S.L.C Passed.
For Senior Bailiff : S.S.L.C Passed & Practical experience for a period of not less than six months in operation of Xerox graph machine.
Nationality : Indian
Age Limit : For SC/ST Candidates : 18 to 35 years
For OBC Candidates : 18 to 32 years
For Other Candidates : 18 to 30 years
Job Location : Karur (Tamilnadu)
How to Apply : Interested candidates may apply in Prescribed Application form along with self attested copies of certificate & Document send to The Principal District Judge Principal District Court, Combined Court Building, Thanthonimalai, Karur – 639 007 on or before 29.02.2016.
Last Date For Submission Of Application Form : 29.02.2016
Detail Advertisement & Application Form Link : http://ecourts.gov.in/sites/default/files/Notification%20and%20Application%20both%20tamil%20and%20english_0.pdf